হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, জুন ২৫, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ৯০শুবা মশীং

## ঙমখৈগী ৱাথোক

### পোৎ'মা থোনগৎলগা চৎপা

পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইগেরা, অমা ওইগেরা, লোকল/রিজনল নৎত্রগা নেসনল পার্টি ওইগেরা ওইরোইরা, অকক্লবা পোলিটিকেল লিদর অমগী নৎত্রগা খরগী ৱাফম নত্তনা মণিপুরগী মমাংথক্তা লৈঙাক খূৎপায়নখিবসু হৌজিক পায়রিবসু লৈবাক মীয়াম্না মখোয়গী/ষ্টেটকী ওইবা দিমান্দ অমত্তং তৌরকপদা ফজনা/নীংথিজনা হরাও-হরাও ইবুংঙো-ইবেম্মা হায়নরিঙৈদা পীরকখিবা/তৌখিবা/য়াশিন্নখিবা ইয়াও য়াওখিদ্রিবনা থেংনদ্রি। মসিগী মতাংসি মণিপুরগী হৌখ্রবা থৌদোক ৱাথোকশিং লোইনা কোৎথোক্লুদ্রবসু লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা তিল্লবা মতুং মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইগে হায়দুনা তানখিবা দিমান্দদা ফাওবা লৈবাক ৱাথোক ওইখি। দিমান্দসি তান্দুনা হৌরকখিবা মীয়ামগী ঈহৌদা শরুক য়াখিবা মীওই কয়া ফাজিল্লগা কৈশুমশঙদা থমখি। মখা তারকপদদি ওন্থোক্লা য়াম্না লৈখ্রে। মনিপুরী লোলনা লৈবাকসিগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখিবা, ইন্নর-লাইন পর্মিট চৎনহনখিবা য়াওনা কোকথোং অমা লৈখ্রে। হৌজিকসু সনামহী লাইনীংবু মাইনোরিটি রিলিজনগী কাঙলূপ্তা চলহনবীয়ু, আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱরস এক্ট (অফস্পা), ১৯৫৮ পুমলৌ লৌথোকউ অমসুং মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহল্লু হায়বনচিংবগী মীয়ামগী দিমান্দশিং ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবদৌনা চুপ লূপ্তুনা লৈরক্লিবনি। দিমান্দশিং অসিগীসু মীশি-মীনা য়াওরক্তুনা লৈবাক ৱাথোক ওইরক্ত্রিবা ফাওবা খূৎ থারক্লোইদবগী ফীভমদা লৈরক্লিবনি। অদুবু মসিবু করিগীনো হায়বনি। মচিন্দনা লৈবাক মীয়ামগী 'য়াম্না সিরিয়স ওইবা ইস্যুনি' কা হায়বা, মীহুৎ ওইনবা চোঙথোরকপদনা মীয়ামদা ৱাশক পরেং শকথখিবা, থাজবা ১০০/১০০ থমখ্রগা মীহুৎ ওইখ্রগনা মমৈ থেক্ত্রিবা ফাওবা হৌগৎলু য়াদবা কুন্দুনা লৈবদৌনা হেক-হেক লৈথোরকপসিবু মীয়ামগী মীহুৎশিংগী তৌদবা য়াদবা অমসুং তঙাইফদবা মচৎলা? মীয়ামগী মীহুৎ ওইনবগী লৌখিবা ৱাশক্তা, মিনিষ্টর ওইনবগী অরোনবা ঙাক্তুনা থৌপাংনবগী লৌখিবা ৱাশক্তা য়াওব্রা?

মীয়াম্না মখোয়গীনি, লৈবাক্কীনি হায়দুনা তাল্লকপা দিমান্দশিংগী মনুংদগী মরম চাবা ৱাৎলি, চুমদে নৎত্রগা লাল্লি হায়রগদি অদুম্মক ইতিং-তিংনা হায়দোকপা য়াদব্রা? থবক্তা ওন্থোক্তুনা মীয়ামগী দিমান্দ পীদবগী, পীননবা থবক পায়খৎতবগী মরমশিং শুগাইনা মীয়ামদা হায়দোকফম থোক্তব্রা? অদুদি নত্তনা তৌব্রা হায়বসু তৌদবা, তৌদবগী মরমসু কাঙথোক্তুনা অদুম্মক নুংহিক্লদুনা শুজিল্লগা লৈবদি চুম্ব্রা? পৱার পায়রে, অঙম্বনি, কেগেদা ইনিং মোইরাংদা ইখা হায়দুনা অঙোম নোংবানগী শক্লোন লৌরিব্রা? মসুম্মাইনা তৌনু চুমদে। লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা থবক-থৌরমশিংদনা মীয়ামদা ওনশিন্দুনা তেংবাংবীয়ু, শৌগৎপীয়ু মহায়বা, মীয়াম্নসু মতেং পীফম থোকপদগী পীনরকপা অদুগা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হৌদোরকপ্রা হায়বসু নত্তবা, মীয়াম্না চোঙথোক্তুনা হায়রক্লগনা মিৎ উইশিন্দুনা অমসুং নাকোং মেনশিন্দুনা লৈগনি, মৈহুম মোরোক থারক্লগা তৌবীনি হায়বগী ফিরেপ্তুদি অশেংবা লৈবাক্কী মপি মপা অমা ওইবগী অশেংবা ৱাহন্থোক নত্তে। মতুংদা তৌদবনা চুমগনি। মরমদি য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) না ঙমখৈদা ৱাথোক ওইরিবা বোর্দর পিল্লরগী মতাংদা লাউরক্লিবা অমসুং তক্লরক্লিবা অসিবু কয়াম কুইরবগে? পিল্লরগী ৱাথোক লৈখাই তাদ্রিঙৈদা শম্বল খাজিনবগী থবক অমুক চথুরকপনি। মসিগীদমক কম্মিটি অসিনা মফমদুদা চৎতুনা হকথেংননা য়েংশিল্লুরগা মরী লৈনরিবা লৈঙাক্তা হায়ফম থোকপা হায়রকপনি। মাঙজৌননা মীফম পাঙথোক্তুনা জুন ২০, ২০২২বু পাদম লাক্তুনা থবক্তা ওন্থোরক্লবা খঙহল্লকপনি। অদুবু হায়রিবা মতমসিগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী মীয়ামগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিল্লকপা নুমিৎ নীনি শুরকপদা অশোক-অপন য়াওরক্লবা মতমদা হোম মিনিষ্ট্রিগী সেক্রেটরিদা শম্বল খাবগী থবক লেপখিনবা অইবা চে পীদুনা হায়জরকপনি। নাম্মা হায়রিঙৈদা য়াদ্রগা পোৎ'মা থোনগৎলগা চৎলকপনি। লৈঙাকপদা মীয়ামগী মতেং ফংগে হায়রবদি মতুংদা

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৪

১) **"স্বর্গদা অৱাবা অমসুং নুংঙাইবা"** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"পলেমগী খোমলাং অমৃত থক্লিঙৈদগী অহানবা শিন্দম ওইদুনা নৱাগী কোলোই অহানবনা পলেমগী মিংফম কৌনরক্লবা ঐখোয়গী ঈরোল--নুংশিরবা, পাম্মুরবা ইমারোল, মৈতৈলোল অসিসু অয়াম্বদি লৈরাং ইঙেনলৈগী পান্দম ওইরি।"** ৱাহৈ পরেং অসি কনানা ইরম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি ৱারেংদগীনো?

৩) **"চন্দন পাম্বী কয়া কয়ানা, /চীং-মাল-নারক শীংলক্তা, /মাং'গুম অরেম্বা উকং ওইদুনা, /পূক্লিং লৈকোলগী অথুপ্পদা, /থারিবা চন্দন পাম্বীদু চেকশিন্না, /কংখ্রনিদো অরেম্বদা।"** শৈরেং মতেক অসি কবি কনানা ইরম্বা করম্বা শৈরেংদগীনো অমদি করি লাইরিক্তা য়াওবনো?

৪) **"কাওশীং"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **"মোহন দাস"** হায়বা মণিপুরী লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মীৎকী হীদাক হাপ্পীংলকপা

## ৱাইরু-ৱাইরুবদা



ঙসি ঐ মঙানি লৈহুন অমগা শোরাৎ অমগা চৎচগনি। মঙানি লৈহুন অদু য়াওরম্মগা শোরাৎলোমদা অমুক পাংজগদৌরিবনি।

সোরাৎ অসিনা লোয়শঙ অমগী থবক্তগী পোথারবা ওফিসর অমগীনি। চহী তরাতরুক খক্তা ঙাইরিবা লাইসেন্স ফাওবা পায়দ্রিবা নুপামচা অমনা কারনা তকপদগী লৈখিদবনি। মঙানি লৈহুনগী অসিমনা লোয়শঙগী ওফিসর অদুবু কারনা তক্তুনা হাৎলল্লবা থৌনা ফবা নুপামচা অদুগীনি। অহলদুবু কারনা তক্তুনা হাৎলল্লবা মতুংদা নুমিৎ মঙা তরুকনিরোম লৈরগা মশা মতোমতা মহাকসু কার অদু লৈকায়গী খোংনাং পাম্বী অচৌবা অমদা য়ৈশিল্লগা লৈখিদবনি। লৈকায় অনী অসি পংলাপসু লাপ্লদে। অঙাং নুপামচা অসিগী মপাগা ঐগা থায়নদগী তিন্নরক্লবনি। লুনা তিন্নজরকপনি। নুমিৎ খুদিংগী মী অমমম এক্সিদেন্টদা শিরবদি চহী অমদা মী চহুম হুম্ফুমঙা শিবা শোয়দ্রে। কয়া য়াম্না শিরিবা মীনো? মসি অমরোমদা শিবু শিদে হায়বা য়াই, ইম্ফাল মনুং অসিদা লম্বীদা গাড়ী থৌনরিবা ময়াম অসি য়েংনবদা এক্সিদেন্ট পংথোক থোক্তেগা হায়বা য়াই।

চাওখৎলকপগী মতুংইন্না গাড়ী থৌবদা তপ্পা থৌগেসু য়ারক্লোই অদুগা য়াঙনা থৌগেসু য়ারক্লোই। অদুবু ওইরিবা লম্বীগী ফীভম য়েংদি য়েংদনা মপাল লমগী নীংথিনা শেম্বা লম্বীগী অপাকপগী মতৌ তমদুনা য়াঙনা য়াঙনা থৌবদু মতৌ তম্লবদি নোংম-নোংমগী মীশিং হন্থবা নত্তনা করি ওইরগা তোক্কনি খনবা মতম ওইরে। চকা মরি পানবা থৌবা কাঙবুনা চকা অনী পানবা থৌবা কাঙবুগী ওইদগী বগল লৌরগা ময়ামদগী মমাঙ থানা হেনগৎনবা লাক্লজবা লমদমনি। গাড়ী মচা মশু থৌবা মী ময়াম অসিবু লম্বী ময়ায়দা চাক্তারম্বা শেন্দ্রাংশিংবু হোর্ন খোংদবীগী কার য়াঙনা থৌজিল্লগা পেদ্রেক পেদ্রেক তকখায়রম্মগা চৎখিগে খনবা অদুম্মাইনা খল্লুরমাল্লে। ওটোরিক্সো থৌবা কাঙবুনা অমুক থৌরিবা গাড়ীগী মমাঙদা প্রপ-প্রপ হেনগৎলগা পেসেঞ্জর পীক-অপ তৌবা ঙম্বগী হৈশিংবা মহৈ অমদি লৈজৈ।

জেব্রা ক্রোসিংনেনা লৈঙাক্লা থৱায় য়াওনা য়েকচরিবা অসিসু ইনখৎলকপা অঙাংশিংনা স্কুলদগী ময়ূমদা মখোঙনা হল্লকপদা কোয়লাস লম্বী ময়ায়দা চোক্কনা আই লভ য়ু, রোমিলা হায়না থাবা অদু মঙাইরে। হায়বদি কনা অমত্তনা থোইনা মৱা লৌবীবা উদে। স্কুটর অনৌবা ময়াম অসিনা মরোল অমা নুমিদাংদা লম্বীদা গাড়ী থৌদুনা চৎপশিংদা মীগী মমিৎ মমায়দা মাগী ঙাল্লবা হেদলাইটকী মৈ অদু মীৎ-মায় পাংবা য়াদবমখৈ কাপশিল্লম্মগা চৎখিদৌরিবনি। পাল্লিবা মৈ অদু মীগী মমায়দা কাপ্তনবা শান্নবা হৈনদ্রিব্রা নৎত্রগা লন্নাই ওইনা নুংঙাইজ রিব্রা খঙদে। মাগী মাগী গাড়ীদা পান্নরিবা অচৌ মচা হোর্ন ময়ামসি নক্তা নকশিল্লক্লকান্দা খংপ্রেক খংপ্রেক খংহনবমখৈ হোর্ন হৌনা খোঙলগা থৌজিন্নরি। হোর্ন অদু হৌইকো মীগী নাকোংদা ৱানা থোক্লমগনি হায়না খনবীদে। মতমসিদা হুই, ষণ, ওক, শগোল ময়াম অমা লম্বীদা হেক্তা লৈরম্মী। করিসু ইনৎ নত্তবদা মবুক মপাউ ফত্তবা হুই য়াওরমদুনা গাড়ী থৌবা মীবু গ্যান মেন তাদবমখৈ কোইতান হেক্তা তান্নে। লম্বীদা লৈরম্বা শগোল অমদি ষণশিং অসিনা তাইবঙ মীওইবদগী চাওখৎপা চাং খরা হেল্লম্বদগী ঐখোয়দা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং হন্থহল্লম্বগী ৱাতনি।

মণিপুর মচাশিংদি লোইনা মখূৎতা মমিৎ পাল্লি হায়নৈ। মসি ঐদি তশেংনা সপোর্ট তৌজনীংই। ঐখোয়গী পাখং মচাশিং অসি পোকপদগী মেকানিক্কী গুন য়াওজৈ। মসিগী খুদমদি বাইক অমদি স্কুটরশিং অসিদা কার, ত্রক, জীপনচিংবগী হোর্ন অহৌ অহৌবা পানশিনবা য়াম্না য়াওনরিবা ময়াম অসিনি। অহৌবা হোর্ন অদু হেক গাড়ী মচাদা পানখৎপা লোইবগা ইম্ফাল মনুং অসিদা টেষ্ট তৌবা থৌদোরক্কনি। তুংলোমদগী মানা কারগী হোর্ন অদু খোংলগা বাইক থৌরবনিনা ময়াম্না কার অমালাক্লমাল্লে নীংদুনা খংপ্রেক খংনা য়াম্না লাপ্পা লাপ্পা থৈদোকনৈ। মদুদা মানা নুংঙাইজরি। মচানুপানা গ্যান মেন তাদনা য়াঙনা য়াঙনা গাড়ী থৌজরগা মপা-মমা খরদি মোমোন নোকচৈ। মচাগী গাড়ী থৌবগী হৈ-শিংবা মতৌ অসি উজরগা।

ঈশিং, নূঙ, লৈঙোই, লৈবাক হোনবা গাড়ীশিং অসিসু মখোয় গাড়ী থৌবা হৈতে হায়খিনি হায়দুনা ওন্থোক্লা য়াঙনা য়াঙনা থৌনখ্রে। মী চিল্ল-চিল্লগা হেন্না মখোয়গী মহৈ উৎনীংবা হেল্লি। অকিবগী মশকনি ওইরিবা লম্বী থোং অসিগী মতৌসিগা। পেসেঞ্জর গাড়ীনা য়াঙবমুক য়াঙনা লোইনা থৌগদবগী মফি তাখৎনদুনা লৈ। লৈবাক হোনবা গাড়ীশিংসু নুংঙাইরি, লম্বীদা চৎলিসি মা মতোমতা চৎপদৌনা খন্নবা খরা য়াওরি, মখোয়দি মী কনামত্তা উবীবা নত্তে হোর্ন খরা খোংলগা হেক্তা পাইশিল্লকপীনি। লম্বী চৎলিবা ময়ামদি শিগে শিজসনু হায়না খল্লগা থৌনৈ। তৌহৈদবা থবকনি। মণিপুরগী ওইরিবা লম্বী থোং অসি লৈঙাক্লা তোয়না শেম্বীগন্দে, লম্বীসু ইপাক পাক্তে, কোমনাও ময়াম্না পীক থন্না লৈ, উফুল ৱাইফুল য়াম্না হৌরি, চৎলিবা মীসু পেন্থোক্তবা ইয়াও য়াওদে খন্না গাড়ী থৌবীরবদি খরা ফদৌবা। ঐনা চৎলিসি থৈরগা চৎলু হায়বসু য়াম্না য়াওনরি।

গাড়ী পার্কিং জোননি হায়দুনা তৌরিবসিসু লম্বী ময়ায় ফাওবা খামজিন্নরি। মতাইদা খাম্বদগী পরেং মশীং সুম হেনগৎলক্তুনা লম্বী ময়ায় য়ৌশিল্লক্কনি। লম্বী চৎপদা মসিনা হেন্না নাখোং শাহল্লি। মণিপুরদদি মথোল নাইবা গাড়ী পার্কিং শেদ শাবগী দরকার ওইদে লম্বীখক্তং পাকথোক্লগা অদুম য়াবগী ফীভমদা লৈরি। লম্বীনা পার্কিং তৌফম ওইবনা খরা পাকচাওবদৌনা তৌরি। তৌনরিবা মতৌ অসিদা মণিপুরদা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মী ইশিবু শিদে হায়জবা পাম্মী।

ত্রাফিক পুলিস, মৈরা পায়বী, মহৈরোয়শিংগী লূপ অমদি সোসল ওর্গনাইজেসনগী মীওইশিং অসিনা কারন তারে হায়না কারন তারবা, মথোং হুক্তবা গাড়ী খুথৌ অসি থোইদোক্লা মীৎ নাবিদ্রিবা মাল্লি। ঐনা য়াম্না খুরুমদুনা হায়জনীংবা অমা লৈজরিয়ে ময়ামদা। গাড়ী মথোং মরম খঙদনা য়ু পংবমখৈ ঙাওরগা গাড়ী থৌবগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফমগুম্বা ময়াম অমা মণিপুর শিন থুংনা ফমহঞ্জনীংলিয়ে। মসিনা য়ামজদ্রবা ফুরুপ অসি লেপ্পা লৈতনা হাৎলকপগুম্না তৌরি।

এক্সিদেন্টতা লৈখিদবা অমগী শোরাৎকা এক্সিদেন্টতা লৈখিদবা অমগী মঙানি লৈহুনগা চৎচনবা অমুক্তা চাইথজরুখিগে। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ থারিকথা-তুজোম্বী # ৩৪৭

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



বিজ্ঞানগী ওইনা য়েংবদা থারিকথা পাম্বীদি ওইদবা, জেনেরা অমসুং শাগৈসু খেন্নবা পাম্বীনি থারিকথা-তুজোম্বী হায়রিবা পাম্বী অসি। পাম্বী অসি কনাগুম্বনসু থরো-মচা হায়নসু অদুমক কৌনবা থেংনৈ। থারিকথা-তুজোম্বী হায়রিবা পাম্বী অসি ইংলিসতা ৱাটর স্নোফ্লেক (Water snowflake) নৎত্রগা রোবষ্ট মার্সৱোর্ট (Robust marshwort) নৎত্রগা ফ্লোটিং-হার্টস (Floating hearts), হিন্দিদা কুমুদিনি (Kumudini), বেঙ্গোলিদা চান্দমালা (Chandmala), অসামিজদা পান-সিওলি (Pan-seuli), মরাথীদা কুমুদ (Kumud), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা নিম্ফোইদস ইন্দিকা (Nymphoides indica (L.) Kuntze) নৎত্রগা নিম্ফোইদস থনবার্জিয়ানা (Nymphoides thunbergiana (Griseb.) Kuntze) নৎত্রগা নিম্ফোইদস হম্বোলদতিয়ানা (Nymphoides humboldtiana (Kunth) Kuntze) নৎত্রগা লিমনেনথেমম ইসকুইরোলাই (Limnanthemum esquirolii H. Lev.) নৎত্রগা লিমনেনথেমম ইন্দিকম (Limnanthemum indicum (L.) Greseb. হায়না কৌই অমসুং মেনিঅনথেসী (Menyanthaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। বোটানিষ্ট খরনদি থারিকথা-তুজোম্বী পাম্বী অসি জেন্সিয়ানেসী (Genianaceae) শাগৈগী মনুংদা থম্মি।

থারীকথা মচা হায়নসু খঙনবা থারিকথা-তুজোম্বী পাম্বী অসি ইংলিসতা স্নোফ্লেক হায়না কৌনবগী মরমদি উন্না খরা তুমশিল্লক্লগা হায়বদি মহী চেনবা হৌরকপদা নৎত্রগা ঈশিংদা তুম্লগা ষ্টারগী মওংদা লৈবা অদুগা পাম্বী অসিনা লৈ শাৎপা অদুগা মওং মান্নবা অদুননি। পাউদমশিংগী মতুংইন্না থারিকথা-তুজোম্বী পাম্বীগী শাগৈ অদুগী মনুংদা স্পিসিস ৬০দগী ৭০ রোম লৈ অদুগা জেনেরা অদুগী মনুংদনা স্পিসিস ৫০ রোম লৈ। হিন্দিদা থারিকথা-তুজোম্বী পাম্বী অসি কুমুদিনি হায়না কৌনবগী মরমদি পাম্বী অসি মহারাষ্ট্রদা লৈবা অদুগা কাস (Kaas) প্লেত্যু (Plateau) গী মনাক্তা লৈবা কুমুদিনি হায়রিবা পৃথিবীদা মমিং চৎলবা পাৎ অসিদা অয়ূক্কী লংলবা নুমিৎকী মঙালদা পাম্বী অসিনা ফুগাইনা লৈশাৎ তম্বা অদুদগী পাৎ অসিগী মমিং লৌদুনা থোনখিবনি। পাম্বী অসিনা মপূং ফানা লৈ শাৎপা মতমদা নুংশিরবা লৈনম থাদোক্তুনা অকোয়বা অমসুং মনাক্তা লৈবা মীওইশিং অদু থম্মোয় শুমহৎপগী ৱাফমসু য়াওরি।

থারিকথা-তুজোম্বী হায়রিবা পাম্বী অসি খরা থেন্তক তৌবা ঈশিং মরু ওইনা পাৎ, পুখ্রি অমসুং ঈশিং য়াম্না তুংগনবা লৌবুকশিংদা লৈনুংদা মরা তাদুনা অদুগা মনা অদুনা খুবীদগী খরা হেন্না পাকপা অমদি ঈশিংদা তাওদুনা হৌবা অথোৎপা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসি হেক য়েংবদা থারিকথা পাম্বী য়াম্না মাল্লি অদুবু য়াম্নদি পীকই। পাম্বী অসি ঈশিং লৈরবদি মতম পূম্নমক্তা শংদুনতা লৈবা অদুগা চহী অনীদগী হেন্না পুন্সিবা পাম্বী অসি হেক য়েংবদা থরো, থম্বাল অমসুং থারিকথা পাম্বীগী মওংগা য়াম্না মান্নজরবসু শাগৈদি য়াম্না তোঙাল্লি। অরুবা ঈশিংদদি পাম্বী অসি ফুট ৪ ফাওবা ৱাংবা ঙমজরবসু অথেনবা ঈশিংদনা ফজনা হৌবা থেংনৈ। থারিকথা পাম্বীগী মপাল অদু অঙৌবা মচুদা লৈনা (Corolla) ৫ পাল্লি অমসুং লৈনাশিং অদুগী অকোয়বা অদু অশাংবা মতুশিং জোম-জোম লাওনা পাল্লি অমসুং মসি হেক য়েংবদা ঈশিং শৌদোরকপদা উন মচেৎ খরা ষ্টারগী মওংদা লৈবদু য়াম্না মানবদগী পাম্বী অসিবু ৱাটর স্নোফ্লেক (Water snowflake) হায়না কৌনৈ। সেন্টিমিটর ১.৫ রোমতমক পাক-চাউবা লৈশিং অদু নোংমখক্তমক ঈশিংগী মথক্তা থিনগৎতুনা শাৎলি। থারিকথা-তুজোম্বী পাম্বীগী তোপ তোপ্পা মগুণ অমা হায়রগদি পাম্বী অসিগী মনা অদুদগী অপীকপা পাম্বীশিং লোংথোরক্তুনা চারা শন্দোকপা ঙম্মী। হায়রিবা থৌওং অসিবু ভিভিপেরী (Vivipary) হায়না খঙনৈ।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না থারিকথা-তুজোম্বী পাম্বী অসি অশাবা ত্রোপিকেলগী ওইবা লমদমশিংদা য়াম্না চুশিন্ননা পৃথিবীগী অয়াম্বা মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। কনাগুম্বা খরনদি থারিকথা-তুজোম্বী পাম্বী অসি ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবনি হায়না পাউদম্লি। ইন্দিয়াগী মনুংদা থারিকথা-তুজোম্বী পাম্বী মপূং ফানা ফজনা হৌবা মফমশিংদি মণিপুর, অসাম, ত্রিপুরা, ওদিষা, উত্তর প্রদেশ, রাজস্থান অসিনচিংবনি অদুবু অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু অদুমক হৌই। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি থারিকথা-তুজোম্বী পাম্বী অসি লোক্তাক পাৎকী অকোয়বশিং অমসুং অতোপ্পা অপীকপা পাৎশিংদা নীংথিজনা হৌবা থেংনৈ।

থারিকথা-তুজোম্বী পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি কনাগুম্বা অমা মৈনা পোক্লবদি থারিকথা-তুজোম্বী পাম্বী অদু শুগাইরগা শেম্বা অনংবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈবদা মৈনা পোকপগী মৈশা অদু থুনা ঈংথহনবগী মথক্তা অচাকপা উনশা অদু থুনা শয়োন চিংখৎহন্দুনা মহৌশাগী ওইবা মওংদা উনশা অদু হঞ্জিনহনবদা মতেং পাংবা ঙম্মী হায়দুনা শীজিন্নৈ। ইমোলিয়েন্ট হায়বদি মীওইবগী উনশাবু থোৎতোক-নৌথোকহনবগীদমক্তা থারিকথা-তুজোম্বী পাম্বী শুগাইরগা শেম্বা হীদাক অসি শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। অশোক-অপন তৌবদসু হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু তৈনৈ।

থারিকথা-তুজোম্বী পাম্বীগী নৌতক তৌবা মনা, মখোক অদু ফুৎলগা চানবগী মথক্তা এঞ্জাং মহী শেম্বদসু শীজিন্নৈ। পাম্বী অসিগী পোমতক তৌবা মপাল অদুসু ফুৎলগা নৎত্রগা এঞ্জাং ওইনা থোংলগা য়াম্না হাওবা মথেল অমা ওইনসু চানবগী পাউদমশিং লৈ। মহৈ অদুসু এঞ্জাং ওইনা থোংলগা চাবসু য়াই। অমেরিকা অমসুং য়ুরোপকী লৈবাক খরদদি থারিকথা পাম্বী অসি এক্বারিয়ম (Aquarium) অমসুং খূৎশেমগী অপীকপা পুখ্রিশিংদা লৈতেংগীদমক্তা য়াম্না পাক শন্না থানৈ অমসুং মীয়াম্না পাম্না লৈবা-য়োনবা তৌনবগী পাউদমসু লৈ। লায়েংদা পাম্বী অসি খোইরাই কোক-চিকপা (Migraine), তূম্বা য়াদবা, পূক্লিং ৱাখল লৈতাদবা অমদি শারৈ হৌবা (Epilepsy) লায়নাশিংগী লায়েং হীদাকশিং শাবদা শীজিন্নৈ হায়না পাউদম্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।